# তুংকোয়না শীজিন্নবা শজিক লীদুনা থন্বা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

লমদমসিদদি শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজু থা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথম থা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি কোমনুংদা থম্লগা সাইলিজ শেম্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদা শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিংসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজোম্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কক্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। মসি কংলিমতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহল্লি অমসুং কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কক্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোত্থোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কক্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোত্থোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনদি মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**

- মতম চানা শজিকশিং কক্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেঙনা শজিকশিং কক্লগা শেম্লগদি মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূ/মহৈ পানবদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মহৈদা চৎখি।

- অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পাম্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পাম্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

- অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

- কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পাম্বী ওইরগদি শা-ষণশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ঙমহল্লি।

- অকংবা শজিক শেম্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পাম্বী য়াওহনবীরোইদবনি।

- অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৩ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথ্থ-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

- শজিক কংহনবা মতমদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেম্বা :**

- অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌবতা নত্তনা মখোঙসু থোৎনা লৈগনি।

- শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথ্থ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

- কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

- শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পাম্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মকু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়াওদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

- কংবা লোইরবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

**১) থারিবা মফমদুদা কংহনবা** - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কক্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

**২) শা-ষণগী মকোন্দা কংহনবা** - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

**৩) খূৎশেমগী কংহনবা** - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাওনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

**৪) মতুম তারগা শেম্বা** - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কক্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবীবসু য়াই। ●

# পাম্বীশিংদা জিঙ্ক ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

পৃথিবী অসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা খুদিংমক্লা হিংনবা হোৎনবদা শোয়দনা চঙবা পোৎলমশিংগী মনুংদা জিঙ্ক হায়বসিসু অমনি। য়াম্না মরু ওইজরবসু পাম্বী অমসুং শা-ঙাশিংনা মখোয়গী পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা জিঙ্ক অসি চাং য়ামদনা দরকার ওই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা লৌফমদা জিঙ্ক ৱাৎপগী থৌওং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লে অদুগা মসিনা মরম ওইদুনা পোত্থোক হন্থহন্নবগী মরমসু ওইরক্লি। মপূং ওইনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম পায়খৎলিবা অয়াম্বা মফমশিং অসি জিঙ্ক য়াওবগী চাং অসি য়াম্না নেম্বা নৎত্রগা লৈজরিবা খরা অদু পাম্বীনা লৌবা ঙম্বা মওংদা লৈতবদগী ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংদা জিঙ্ক ৱাৎপগী লাইওং উৎথোরকই। খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবগী অদুগা খূৎশেমগী জিঙ্ক য়াওবা হারশিং শীজিন্নদুনা ঐখোয়গী অকোয়ববু হু চেলহন্দনবগীদমক লৌফমদা লৈজবা পাম্বীশিংনদি শীজিন্নবা ঙমদনা লৈরিবা জিঙ্কশিংবু তুমহন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহন্নবগী মায়কৈরোমদা চঙশিনবা য়াই।

জিঙ্ক হায়বসিনা পাম্বী অমা শেমগৎ-শাগৎপদা লৌরিবা থৌদাং অসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। খরদং পঞ্জরবদা পাম্বী অমদি শেলগী মপান থংবা কুয়োম শেম শাবদা, নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা, অসুম্না শুংলবা মচিঞ্জাকশিং অসিনা পাম্বীদা শক্তি পীহন্নবা হোৎনবদা, ক্লোরোফিল কৌবা পাম্বীগী অশংবা শরুকশিং অদু শেম শাবদা লোয়ন-লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এঞ্জাইমশিং মথৌ পাঙথোকহনবা অমদি এঞ্জাইম মখল খরা শেম্বগী মচাক অমা ওইনা জিঙ্ক অসি দরকার ওই। পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবদা থৌদাং য়াবা Auxin হায়বা গ্রোথ হোর্মোন অদু শুংবদসু জিঙ্ক অসি তঙাইফদনা চঙবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অমনি।

পাম্বীশিংনা চনাংগী শরুক শুংবা, লৈগী লৈরিক শেম্বা, পাম্বীশিংনা মপূং মরৈ ফাহনবা লোয়ন-লোয়ননা পারি পুরিগী মগুণশিং ঙাক্তুনা থম্নবা অমদি ফোঙদোকহন্নবগীদমক জিঙ্ক অসি তঙাইফদনা চঙই।

পাম্বীশিংদা মরু ওইখ্রবা জিঙ্ক অসি ফংহন্নবগীদমক লৌফমদা লৈরিবা জিঙ্কপু তুমহনবা হিংকুপশিং শীজিন্নবা হৌরক্লি। জিঙ্ক তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপ খরা পনবা তারবদা Pseudomonas, Rhizobium, Bacullus spp. মপূং ওইনা Bacillus Megatenium নি। হায়রিবা হিংকুপশিং অসি পাম্বীবু চাওখৎহনবা ঙম্বগী মগুণসু চেল্লি। হিংকুপশিং অসিনা ফাজিন্দুনা লৈবা জিঙ্কশিং তুমহন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহনবতা নত্তনা ফোসফরস তুমহনবা, পোটাসিয়ম তুমহনবা, নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেনবু ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহনবগা লোয়ননা পাম্বীশিংবু চাওখৎপদা মতেং পাংবা গ্রোথ হোর্মোন খুদম ওইনা Kinetin, Indole-3 acetic acid (IAA), gibberellec acid পুথোক্তুনা পাম্বীশিংবু হম হম চাওখৎহন্দুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহল্লি। মথক্তা পনখ্রিবা হিংকুপশিং অসিনা এসিদ মখল কয়া অমা মখোয়গী অকোয়বদা থাদোক্তুনা লৌফমদা তুম্বা ঙমদনা লৈবা জিঙ্কশিং তুমহল্লি অমদি পাম্বীশিংদা ফংহন্দুনা পাম্বীশিংদা কান্নবা ফংহল্লি।

হৌজিক্তি ঐখোয়গী কৈথেলশিংদা জিঙ্ক তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং অসি য়াওরবা হীদাকশিং ফংলে। মখোয় অসি Zinc solubilizing becteria (ZSB) নৎত্রগা Zinc solubilizer হায়বা মমিংশিংদা ফংবীগনি। অসিগুম্বা মহী ওইনা লাকপা হিংকুপশিং অসি য়াওরবা হীদাকশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা শীজিন্নবীবা য়াই।

**মরূদা তোৎশিনবা :**- জিঙ্ক তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং য়াওরবা হীদাক মহী মিলিলিটর ২৫০গা ঈশিং লিটর ২-৩দা হৈজিনবীরবা মতুংদা তোৎকদৌরিবা মরূশিং অদু হায়বদি কেজি ৫০-৬০গী মরূগা তোৎশিন্নবীরগা মচুম খক্লবা উরুম অমদা ফৌদোকপীগনি অমদি মচুম হেক লাংশিনবগা থাদোকপীগনি।

**মরূদা তিংবা :**- হীদাক মহী মিলিলিটর ২৫০গা ঈশিং লিটর ৪-৫দা য়ানশিনবীরবা মতুংদা থাদোকপীগদবা চারাশিং অদুগী মরাশিং অদু মিনট ২০-৩০ ফাওবা তিংবীরবা মতুংদা থাদোকপীগনি।

**লৈবাক্তা চাইথোকপা :**- হিংকুপ মখল অসি য়াওরবা হীদাক মহী অদু মিলিলিটর ৭৫০-১০০০ (পৱা ৩-লিটর ১) গী চাং অসিগা ষষ্ঠি ষণয়ুং নৎত্রগা ভর্মিকম্পোষ্ট/কম্পোষ্ট নৎত্রগা লৈবাক লৈকুপ কেজি ১২৫-২৫০গী চাংগা তোৎশিন্নবীরবা মতুংদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা চাইশিনবীরগা খুদক্তা লৌফম অদু খোইদোকপীগদবনি।

মতমগী য়াওলগা শাগোন্ননা লাক্লিবা লৌউবগী অনৌবা কাঙলোনশিং শীজিন্নবীদুনা পোত্থোক চাথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি খরা হেন্না মাঙজিন থাখ্রবা লৌমীশিংগীদি তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিবু ওর্গানিক ওইবা লৌফম অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙলিবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং পায়খৎতুনা মাঙজিল থাবা লৌমী ওইরসি। পাম্বীশিংদা দরকার লৈরিবা জিঙ্কশিং ফংহন্নবগীদমক জিঙ্ক তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং য়াওবা হীদাক মখলশিং লৌউ-শিংউবগী লম্‌দা শীজিন্নবা হৌরসি। ●

## ষ্টৈটকী পাউ

### লৈঙাক্লা ইথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা পীদ্রগসু মনা-মশিং...

*লামায় ১মগী মখা...*অয়াম্বনা শাৎপা ঙমখিদ্রবা লৌফমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা থেংনরকখিবনি। মশাগী লৌবুকসু লৈজদবগী মথক্তা ইথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংবসু নত্তনা লৌবুকশিংদা মহাক্লা মীঙোন্দগী চহী ১/১গী লিজদা অৱায়মল পীদুনা ৱায়রগা মনা মশিং থাবদদা চহীদা লুপা লাখ ৬ হেনবগী শেন্দোং তানবা ঙম্লম্বা মীওই অদুগী মমিং চোংথাম খোগেন্দ্রো (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ তোমচা কৌই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোইজুমান মমাঙ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ২দগীনি।

মহাক্লা মীঙোন্দগী ৱায়রগা শীজিন্নবা লৌবুকশিংগী মনুংদা শুপ্নতগী পোইন্ট ২০ লোম খক্তমক পাক চাওবা অদুগা লৌখাইসু ফাবাত্তবা লৌফম অমদা মীতৈ মোরোক অশাংবী থাবদদা কিলোগ্রাম ৩৫০০ রোম মায় পাক্লা পুথোকপা ঙম্লম্বনি। মহাক্লা হোৎনরল্লিবা থবক অসিগী মতাংদা মশামক্তা উন্নবদা মহাক্লা হায়, হৌখিবা চহী ১৫/১৭ লোমগী মমাঙদগী মতম মতমগী ওইবা মনা-মশিংশিং থাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরকপনি। অহানবদা মহাক্কী ইমুং শেন্থোক লম্বী লৈতবদগী য়াম্না নাতৈ চাদবা ফীভম মায়োক্লবা ইমুং অমা ওইরম্মী। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা মশাগী লৌবুক লৈজদ্রগসু লৌফম খরা মীঙোন্দগী অৱায়মল পীদুনা লৌরগা মদুদা মতম মতমগী ওইবা মনা-মশিংশিং থারকপগী মহয়না হৌজিক্তি ইমুংগী মথৌ তাবা শেলশিং কোন্ননবা লৈবা ঙম্লে হায়রি।

নুংতিগী পুন্সিদা মহাক্কী ইমুং খুয়া তুশিৎনা হিংবা ঙম্লকপদা নত্তনা য়ূম মচা অমসু শারে। হন্দকসু লুপা লাখ ৪/৫ রোম থাদরগা য়ূম অদুদগী কা খরা ফাওবা এক্সটেন্সন তৌনবা হোৎনরি হায়খি।

মচিন মনাও পূন্না ৩গী মনুংদা মহাক্লা ময়ায়নি। মথক্তা ময়াম্বা অমা অমসুং মখাদা মচন নুপী অমা লৈ। মহাক বিষ্ণুপুরগী সী আই কোলেজদগী বি এস সী লোইশিল্লকখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মনা-মশিং থাবগী থবক্তা মপূং ওইনা মচননুপীনা ফৈগাক ফৈনা মতেং পাংই। অপোকপা মপা লৈখিদবনা ময়াম্বনসু মরক মরক্তা মহাক্কী মতেং পাংবী হায়রি। অদুবু মশাগী লৌফম লৈজদবদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীঙোন্দগী ৱায়বা লৌবুকশিং পূনশিল্লগা লৌ পরি অমরোমগী চাংদা মহাক্লা চহী অমদা লৌ শঙম অমদা লুপা লিশীং ২৫/২৫গী চাংদা পীরগা ৱায়দুনা মনা-মশিং খক্তমক থাবা হৌরকপনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা ৱায়জবা লৌফমদা থারকখিবা মনা-মশিংশিংগী মনুংদা হন্দক চহীগীসু ওইনা পোত্থোক খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা শেন্দোং য়াম্না ফংবদি মৈতৈ মোরোক অশাংবীনা ওইরে হায়রকখি।

মোরোকশিং অসি মহাক্লা চহী অসিগী মার্চ থাদা মরূদগী হুল্লবা মতুং মফমশিং অদু নীংথিজনা শেমজিন শাজিল্লগা হৌরকপা চারাশিং লিংদুনা থারকখিবনি। অদুবু থা ২ রোমগী মনুং হৌখিবা জুনগী অরোইবা চয়োলদগী মোরোক পাম্বীশিংদগী মোরোক হেকপা হৌরকখি হায়রি।

নুমিৎ ১০/১০নি কান্নরগা মোরোকশিং হেক্তুনা নাগামপালদা পুখৎলক্লগা অয়ূক অঙনবদা থাদোকই। অহানবা থাবদা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১৮০দা থারম্মী। হৌজিক্তি খরা খরা হন্থরক্তুনা কেজি অমদা লুপা ১৫০ থারম্বদগী হৌজিক্লা লুপা ১১০দা থারে হায়রকখি।

থা অসিগী ৪দসু খুল্লং নুপী ৭ নেক্তুনা মোরোক হেক্লবা মতুংদা কৈথেলদা য়োনখি। লোয়ননা থা অসিগী ৪ ফাওবদা মহাক্লা থাখিবা মোরোকশিং অসিদগী মোরোক কিলোগ্রাম ৩৫০০ রোম হেক্লগা য়োনবা ঙমখ্রে। মসিদগী য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ৩ হেন্না তানবা ঙমখ্রে হায়রকখি। মহাক্লা মখা তানা হায়, মহাক মোরোক খক্তা নত্তনা চহী অমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মনা-মশিংশিংসু থাই। মনা মশিংশিং অদুগী মনুংদগী অনী পূনশিল্লগা লৌফম অমদা পুল্লপ থানবগী থবকসু লৌখৎলি। মহাক্লা থাখিবশিংগী মনুংদা তাঞ্জুল হৱাই, হৱাই অশাংবী, হৱাই শেন্দ্রাং মরূম মানবীসু য়াওখি হায়রি।

লোয়ননা খামেন বারমাসিকা, থবীসু থাখি। অদুগা খামেন অশিনবদি কুমসি চহীগী ওইনা থাখিবা অনীরক শুখ্রে। মসিগী মথক্তা কারোট অখাবীসু থাখি। লোয়ননা কোবি লৈসু থাই। অদুবু মহাক্লা থারক্লিবা মনা-মশিংশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাক্লা শেন্দোং ফংহল্লিবনা মীতৈ মোরোক অশাংবীনা ওইরে হায়রকখি। অদুবু মোরোক থাবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মহাক্লা মায় পাকপা ঙম্লিবা অসি করিগুম্বা ইথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা অমুক্তসু ফংবা ওইরম্লগদি মসিদগী হেন্না শোয়দনা পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা শীজিন্নরিবা লৌফমশিংগী মনাক নক্লা লৈবা ইম্ফাল ম্যেন কেনেল কৌবা ইথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগদবা কেনেল অমা লৈ। লাইবক থীবদি কেনেল অসি শাংলবা চহী ২০ লোম য়াদদুনা শীজিন্নদনা লৈরুরে। অদুবু হন্দক চহীদগী খক্তা কেনেল অসিদা ঈশিং থাবা হৌরক্লে হায়খি। মরম অসিনা মহাক খক্কী নত্তনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা খোইজুমান, ক্বাক সিফাই অমসুং তৌবুলনচিংবগী মহাক্লুম্বা মনা-মশিং থারবিবা লৌমীশিংদা ঈশিংগী মথৌ তারকপদা ফংবা ঙম্নবা তঙাইফদনা ট্যুব ৱেল খরা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হুৎহন্নীংই হায়রকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদদি লৌমীশিংগীদমক ট্যুব ৱেল কয়া হুৎখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চহী চূপ্পা লেপ্তুনা মনা-মশিং থারকপদা দ্রাই সিজনগী মতমদদি ঈশিং ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে। অদুবু খোইজুমান খুলদদি হেন্দ পম্প অমা থম্নবগীদমক হুৎপদা ফুট ১০০ রোমদমক হুৎথবদা ঈশিং অদুমক ফংবনা করিগুম্বা ট্যুব ৱেলশিং লৈঙাক্লা মরাং কায়না হুৎপীরবদি মফম অসিগী লৌমীশিংদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা খরমখৈদি হন্থগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা মনা-মশিংশিং লেপ্তুনা পুথোরকপদা থেংনবা খুদোংচাদবা অমনা পোত্থোকশিং অসিবু থাদোকফম ওইরিবা নাগামপালগী মফমশিংনি হায়রকখি। মফম অসি তান্না চৎতুনা পোৎ য়োলহৌনবা/থাহৌনবগীদমক নোংয়াই মতুং পুং ১দগীনা ৩ ফাওবগী মনুংদা য়ৌদবা য়াদে। নোংহেক ঙাল্লগদি পুলিসনা কৌইতান তাল্লকপনা পোৎ য়োনফম খঙদে। চুম্নগী তাল্লকপদা লোইশিনবা নংহৌদ্রগনা চাইখাইবীবা অমসুং তান্থোকপীরকপা য়াওই হায়রকখি।

মরম অসিনা নুংথিলগী মতমদা ঙাইহাকসু পোথাবা ফংগদবা মনা-মশিংশিংগী য়োনফম/থাদোকফম ওইবা য়াবা কৈথেলগী শরুক অমা খাক্তুনা থমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

মহাক মশাগী ওইনা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র উৎলৌগী ওফিসল পাঙন্বম বিজয়াগী মখাদা চহী ৩ লোমগী এদভান্স ত্রেনিং ফংলে। মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর ওফিসর অমসুং আই সী এ আরনচিংবদসু মনা মশিং থাবগা মরী লৈনবা ত্রেনিং খরসু ফংলক্লে হায়রি। কুমজা ২০১৫দনা অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা লৌফম খরদসু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে হায়রকখি। অদুম ওইনমক হিংনবগীদমক হোৎনরগে হায়বা অমা য়াওনা চপ য়ুংনা হোৎনরগদি ঙমদবা লৈতে হায়রদুনা অসুম্মাইনা চত্থনরক্লিবা লৌমীশিংগীদমক লৈঙাক্লা ইথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা পীবীরবদি অমুক্তা হেন্না মায় পাক্লা মহৈ-মরোং/মনা-মশিং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি হায়রকখি। লোয়ননা মীঙোন্দগী লৌফম ৱায়রগা মনা-মশিং থাবদদা চহী অমদা লুপা লাখ ৯গা লিশীং ২৩ রোম ফংই। অদুগা হায়রিবা শেনফম অসিদগী মরূ-মরাং লৈখিবা অমসুং খূৎশুমলনচিংবা খাইদোকখ্রগা চহী অমদা য়ামদ্রবা মহাক লুপা লাখ ৬ হেন্না শেন্দোং ফংবা ঙম্মী হায়রকখি।

### এস টি দি সী এমগী দিমান্দ মরম চাই...

*লামায় ১মগী মখা...* খোঙজং অসি চঙশিনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি।

মসিদা মীয়াম্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ইহুলগী য়েংলগা থবক পায়খৎলক্কনি হায়খি। লোয়ননা দিমান্দ অসিগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা রেকমেন্দেসন থাদবগী মরমদি কূপ্পা খঙদে অদুবু মনুংদা দিমান্দ অসি ফংনবা কন্না হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

ঙসি মিনিষ্টর অমা অমসুং এম এল এ অমদা মথং মথং পীশিনখিবা মেমোরেন্দমশিং অদুদা পনখিবা ৱারোলশিংগী মনুংদা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈতবু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১)গী ঙাকলৌ পীবদা লৈঙাক্লা চাওরবা থৌদাং লৌগদবনি। কুমজা ২০১৩গী মে ২৫দা মতমদুগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক রেকমেন্দেসন থারকউ হায়বগী ৱাফম মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদা ফুরুপ অসিগী এথনোগ্রাফি অমসুং খ্বাইদগী থেংবা সোসিও ইকোনোমিক সর্ভেগী রিপোর্টনচিংবা থাদবনা মরম ওইদুনা ফুরুপ অসিনা এস টি লিষ্টতা চন্দ্রিবনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অদুমক মখা শাংথনা চত্থরক্লগদি পোলোইদদি মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসি মাইনোরিটি তারকপগা লোয়ননা ঐখোয় ইশাগা হৌদোকমিন্নরকপা মণিপুরদা রিফ্যুজি ওইরকপগী ফীভমদা লৈরে হায়বা ৱাফমসু য়াওরি। মরম অসিনা পন্থবা তৌদনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি হৌজিক ফাওবদা এস টি দি সী এম অমসুং মপাং লূপশিংনা মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গো, এল সুসিন্দ্রো অমসুং টি ঐচ বসন্তকুমারদা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখিবগা লোয়ননা ডা. এস রঞ্জন, টি ঐচ বিশ্বাজিৎতসু হকথেংননা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রবনি। মিনিষ্টর ১২ য়াওরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মনুংদা মিনিষ্টর তরুকনা দিমান্দ অসি মরম চাই অমদি কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্ননবা শিনগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।

### হেন্দলুমগী পোত্থোক ...

*লামায় ১মগী মখা...* থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক সোসল মিদিয়াদা উরি। মসিনা মরম ওইরগা ইরমদম অসিদা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসিবু সোসল মিদিয়াগী মতেং লৌদুনা মালেমগী মীয়াম পুম্বদা খঙহনবা মথৌ তায় হায়খি।

হৌজিক হৌজিক এমাজোনগী খুত্থাংদা লমদম অসিগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোত্থোক ২৪৯ থাগৎলিবা অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা ওইরি। মণিপুরদা মরাং কায়না ফংলিবা কৌনাদগী শাবা বেগ মখল কয়া লৈবাক অসিগী অচৌ অচৌবা সিটিশিংদা ফেসন অমা ওইনা শীজিন্নবা ঐখোয়না উরি। ফিশাবীশিং অমদি আর্টিসানশিংনা পুথোক্লিবা পোৎকী ক্বালিটি য়াম্না লৈহন্দুনা মীয়ামগী পুক্লিং হেন্না চিংশিনবা মথৌ তায়। হৌজিক্কী মতমদা মমল তাংলবসু ক্বালিটি লৈবা পোৎতা মীয়াম্না হেন্না পুক্লিং চঙনরক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঐখোয়গী পোত্থোকশিং অসিগী মগুন হন্থহল্লোইদবনি হায়খি।


ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা খনগৎলবা ফিশা লোনশাগী লমদা লৈরিবা বেনিফেসরিশিংদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্টসু মিনিষ্টরনা পীখি।

মিনিষ্টর সাপম রঞ্জননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা লমশাং এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা ষ্টেট প্লানিং ওথোরিটিগী দিপ্যুটি চ্যেরমেন সোরোখাইবম রাজেননা থৌরম মপু অমদি ৱাঙ্গোই এ সীগী এম এল এ কে ঐচ লোকেন, সাইকুল এ সীগী এম এল এ কিমনিয়ো হাওকিপ, মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট কোওপরেসনগী চ্যেরপর্সন এস কেবী অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সী কেঙু জুরিংলানা অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### অহানবা নুপী...

*লামায় ১মগী মখা...*মহাক ঙসি অয়ূক হকচাং নুংঙাইরক্তবদগী শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎখিবনি অদুবু কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টতা মতম শাংনা প্রোফেসর ওইরম্বদা নত্তনা সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোথারবা ফাওবদা মহৈকোল অসিদা চহী খরসু মখা শাংথনা থবক তৌরমখি। মহাক মশাগী চহী ৭৭ লোম শুখ্রে। মহাক্কী মপুরোইবা, মচানুপা ১ অমসুং মচানুপী ১ লৈহৌরি।



পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।